## রসিয়ান মিসাইল সিষ্টেম থাদোকহনবা ঙমদ্রি

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
টর্কিবু রসিয়ানা শাবা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম থাদোকহন্নবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শীংথানিংঙাই ওইনা প্রোগ্রেস লৈত্রি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স মার্ক ইস্পরনা ফোঙদোকখ্রে। চয়োল অসিদা লন্দন্দা পাঙথোকখিবা নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো)গী সম্মিটতা ইস্পরনা টর্কিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা মীটিং খরদা ৱা ঙাঙখিবা মতুংদা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াদা মফম ১০০ হেনবদা লাম্মৈ চাক্লি

সিদনি, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান পরিংদা লৈবা নরক মোংশোংগী মফম ১০০ হেনবদা লাম্মৈ কন্না চাক্লি হায়না ন্যু সাউথ ৱেলসকী রুরেল ফায়র সর্ভিসকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদেকখ্রে।

## ‘চাইনানা টাইৱানগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা খুৎ থিংজিল্লি’



টাইপৈ, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
মশা-মশাবু চাইনিজ স্পাই অমনি হায়জবা ওষ্ট্রেলিয়াদা চেন্দুনা লৈরিবা মীওই অমনা চাইনানা টাইৱানগী নেসনল পোলিটিক্সতা হকথেংননা খুৎ থিজিল্লি হায়না ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা ইথৎ লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট মীখলগী কেম্প্যানদা মথুম মরাং হৌহনখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা ৱাং লিকিয়াং কৌবা মীওই অদুনা চাইনাগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা টাইৱানখক্ততা নত্তনা হোং কোংদসু দেমোক্রেসিদা অকায়বা পীনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা মীখলদা খুৎ থিংজিন্নবগী থৌদা শীজিন্নখি হায়না ক্লেম তৌখি।

হৌখিবা নবেম্বর ২৩ দা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৌখিবা টি ভি ইন্টরভিয়ু অমদা ৱাংনা মহাক চাইনিজ ইন্টলিজেন্সকী মহুৎ শীন দুনা মহাক্না চাইনা ইনোভেসন ইনভেষ্টমেন্ট লিমিটেদ (সী আই আই এল)গী থবক তৌখি হায়না ক্লেম তৌখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মঙোন্দা সী আই আই এলগী সী ঈ ও সিয়াং সীননা হকথেংননা ওর্দর পীদুনা এন্টি-চাইনা দেমোক্রেটিভ প্রোগ্রেসিভ পার্টি অমসুং টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগী মীখলগী কমপ্লেন টদা ইথিল পীদুনা মহাকপু অমুক হন্না মীখলদা মায় পাকহন্দনবগী থৌদাং শীন্নখি। সাইগী মরু ওইবা রাইভেল ওইরিবা প্রো-চাইনা কেন্দিদেট হান কুও-য়ুগী কেম্প্যেন ফাইনান্স তৌখি হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, সী আই আই এল অসি মিলিটরি অমসুং সিভিল সেক্তরশিং অনীমক্কী ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ইনভেষ্টমেন্টকী থবকশিংদা চেন্নৈ অমসুং মসিগী বেঙ্ক একাউন্টশিং সিয়াংগীদমক্তা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংদা ফন্দশিং ট্রান্সফর তৌবদা শীজিন্নৈ। ৱাংগী ৱাফমশিং অদুনা ইথৎ অদুগী পোলিটিকেল ক্লাসপু ঙকহনখিবগা লোয়ননা চাইনাগী টাইৱান এফেয়রস ওফিসনা মহাক্কী ৱাফমশিং ৱাহন্থোক লৈতবা ঙাক্তনি হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

## টর্কি-লিবিয়া একোর্দকী মতাংদা গ্রীসনা লিবিয়ান এম্বেসেদর তানথোকখ্রে



এথেন্স, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
লিবিয়া অমসুং টর্কিগী মরক্তা হৌখিবা নবেম্বর ২৭ তা একোর্দ অমা খুৎয়েক পীনদুনা গ্রীস ইথৎ ক্রেটকী মনাক নক্না লৈবাক অনীগী মরক্তা সী বাউন্দরি য়াৎথোকখিবদা খোইরাং খোইশাওনরবা গ্রীসনা লিবিয়াগী এম্বেসেদর লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎহল্লগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

এথেন্সতা লৈরিবা লিবিয়ান এম্বেসেদর মোহমদ য়ৌনিস এ বি মেনফি পুং ৭২ গী মনুংদা গ্রীস থাদোক্কদবনি হায়না গ্রীসকী ফোরেন মিনিষ্টর নিকোস দেন্দিয়াসনা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

দেন্দিয়াসনা টর্কি-লিবিয়া একোর্দ অদু ইফোং ফোংনা ইন টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবগী খোঙথাং অমনি হায়খি।

অমরোমদা, মহাক্না খোঙথাং অসিনা গ্রীসকা লিবিয়াগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনহনবদি তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ানখিবা দিল অদুগী অকুপ্পশিং খঙহলক্লবা গ্রীসনা লিবিয়াদা তকশিনখ্রবনি। এগ্রীমেন্ট অসিগী টেক্সতা লিবিয়ান ফোরেন মিনিষ্টরগী সিগনেচর য়াওরি। মীওই অসিমক্না হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা গ্রীসতা অসিগুম্বা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎকদবা লৈতে হায়না থাজবা পীখ্রবনি হায়না দেন্দিয়াসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।এথেন্সতা লৈবা লিবিয়ান এম্বেসিনা হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট অমত্তা পীয়ু য়াখিদে হায়রি। গ্রীসনা লিবিয়াগী এম্বেসেদর তান্থোকপগী খোঙথাং অসি মেদিটরিনিয়ান লমদমদা হৌজিক ফাওবদা শীজিন্নদনা লৈরিবা থাউ অমসুং গ্যাস ক্লেম তৌনবা লমদম অদুগী লৈবাকশিংনা হোৎনরকপদা খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক ওইরিবনি।

টর্কি অমসুং মালেম্মা শকখঙবা লিবিয়াগী গভর্নমেন্টনা মেদিটরিনিয়ন সীদা মখোয়গী বাউন্দরিশিং লেপথোকপা একোর্দ অদু সাইন তৌনবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি কোওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানখিবনি।

## ‘পাকিষ্টানগী হিন্দু মহৈরোয় মশা মথন্তা শিজখিবনি’



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মশাগী হোষ্টেল কাদা শিরম্বা থেংনখিবা পাকিষ্টানি হিন্দু মেদিকেল মহৈরোয় অমা মশা মথন্তা শিজখিবনি হায়না কেস অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা জুষ্টিসল কম্মিসন অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হিন্দু মেদিকেল মহৈরোয় নিমরিতা কুমারীগী হকচাং হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১৬ তা সহিদ মোহতার্মা বেনাজির ভুতো য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা মহাক্কী হোষ্টেল কাদা সিলিং ফেল অমদগী থৌরী য়াল্লগা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

মহাক য়ুনিভর্সিটি অদুগী বচেল্লর ওফ দেন্টেল সর্জরি প্রোগ্রামদা মিং চন্দুনা অরোইবা চহী তম্লিবা মহৈরোয় অমা ওইখিবনি। সোর্সশিংগী মতুং ইন্না কম্মিসন্না মসিগী ফাইন্দিংশিং লোইশিন্দুনা সিন্দ হোম দিপার্টমেন্টতা লামায় ১৭ পানবা রিপোর্ট থাখি।

দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ লর্কানানা লুচিংবা কম্মিসন অসিনা অসেফা মেদিকেল এন্দ দেন্টল কোলেজ, লর্কানাগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমসুং ষ্টাফ য়াওনা ৱিটনেসশিংগী হীয়ারিং কন্দক্ট তৌখিবনি। কম্মিসন্না নিমরিতাগী সেল ফোন, মহাক্কী লেপটোপ অমসুং সস্পেক্টশিংগী ফেরেন্সিক দেতা, দি এন এ রিপোর্টশিং, পোষ্ট-মোর্টেম রিপোর্ট, পুলিস ইনভেষ্টিগেসনশিং অমদি অতৈ মরী লৈনব ইভিদেন্স কয়া রিভিয়ু তৌখি।

নিমরিতা মহাক্কী বোয় ফ্রেন্দনা লুহোংবগী ৱাফম হৌদোরকপদা য়াখিদ্রবা মতুংদা কা হেন্না ৱাখল নুংঙাইতবগী ফিভম অমা লৈখি। অসুন্না ৱাখল কা হেন্না নুংঙাইরক্তবা অমদি তৌফম খঙদবগী ফিভম অমা লৈবদগী মহাক মথন্তা শিজখিবনি হায়না জুদিসল কম্মিসন অসিনা ৱারোইশিন তাখি।

ইনভেষ্টিগেসনশিং অমসুং ইভিদেন্স রিভিয়ু তৌবদা কম্মিসন্না কেস অসিদা মী হাৎপগী থৌদোক্নি হায়বগী খুদম চাংদম অমত্তা ফংখিদবনি।

## কা হেনবা থৌওংশিং চত্থদনবা হোং কোং পুলিস চীফনা আপিল তৌখ্রে




হোং কোং, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী এন্টি-গভর্নমেন্ট ইহৌ হৌজিকসু হন্থবা লৈতে হায়বগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা লাওথোকখ্রবা নোংমাইজিং নুমিততা পাঙথোক্কদৌরিবা মী মশিং য়াম্না শরুক য়াগনি হায়না থাজনরিবা প্রো-দোমোক্রেসি খোঙচত্তা মীশি-মীনা অমদি অমাঙ-অতানচিংবা থোকহনবা য়াবা থৌওংশিং চত্থদনা ঈংনা চিক্না দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোক্লবা সিটি অসিগী পুলিস চীফনা সিটিজনশিংদা আপিল তৌখ্রে।

সিভিল হ্যুমেন রাইটস ফ্রন্ট (সী ঐচ আর এফ)না শীন-লাংলিবা দিমোনষ্ট্রেসন অদু পাঙথোকপদা পুলিসকী মায়কৈদগীসু য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক ওইনা অয়াবা পীখ্রবনি। গ্রুপ অসিনা হৌখিবা কালেনগী মতমদসু মীওই মিলিয়ন অমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পিছফুল দিমোনষ্ট্রেসন অমা শীন-লাংখ্রবনি।

হোং কোংগী মীয়াম ঈংনা চিক্না মওং মরীল তানা অচৌবা রেলি পাঙথোকপা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয়গী সিটিজনশিংনা মালেম পুম্বদা উৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়না অনৌবা পুলিস কম্মিস্নর কৃষ্ট তাননা বৈজিং পাংদ্রিঙৈগী মমাংদা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

সিটি পুলিস চীফ অসি চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ওফিসলশিং উনরবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী প্রোটেষ্টকী মাঙওইননা হোং কোংদা অমুক হল্লক্কদৌরিবনি।

খোঙচৎ অদু প্রো-দেমোক্রেসি মুভমেন্টকী মীওইশিংনা হৌখিবা থাদা লোকেল ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাকখিবা মতুংদা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিগী মীয়াম্না মুভমেন্ট অসিবু মখা তানা শৌগৎলি হায়বদুগী মরু ওইবা খুদম চাংদম অমা ওইগদৌরিবনি।

হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসি হৌজিক্তি ৱিথদ্রো তৌখ্রবা চাইনা এক্সত্রাদিসন বিল অমনা মরম ওইদুনা থা ৬ চুপ্না চত্থরকখিবা প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিংনা নীকহন্দুনা লাক্লিবনি।

## রসিয়াদা ওপোজিসন্না ইরাং হৌরকপদগী ওথোরিটিশিংনা এন্টি-ক্রেম্লিন মহৈরোয় প্রোটেষ্টর থাদোকখ্রে



মোস্কো, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
হান্না ইথা থাজন্নখিদবা খোঙথাং অমদা রসিয়ান কোর্ট অমনা এক্সত্রিমিজমগী চার্জশিংদা চহী ৩ গী জেলগী চৈরাক পীখ্রবা মশক নাইবা মহৈরোয় প্রোটেষ্টর অমা ইরাই নুমিত্তা থাদোকখ্রে।

মহৈরোয় অদুগী কেস অদুগা মরী লৈননা ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক্সশিংনা ওথোরিটিশিংবু চৈথাংদুনা লাক্লিবনি। মশাগী চহী ২১ শুরবা অমসুং য়ুট্যুব শীজিন্নবা পোলিটিক্সকী ব্লোগর অমা ওইরিবা য়েগোর জুকোভ হায়রিবা মহৈরোয় অসি হন্দক চহী খরা অসিদা থোকখিবা ওথোরিটিশিংনা চত্থখিবা খ্বাইদগী চাওবা মীফা-মীপুনগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা হৌখিবা জুলাই ২৭ তা মোস্কোদা ফাজিনখিবা মীওই ১০০০ হেনবগী মনুংদা অমনি। মহাক অমসুং অতৈ কয়ানা মোস্কোগী লম্বীশিংদা দেমোনষ্ট্রেসন চত্তুনা ফ্রী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবনি। কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা মহাক য়ুট্যুব চেনেল শীজিন্নদুনা মীয়ামদা কা হেনবা ৱাখল পোকহনবগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু চহী অনী ইন্টরনেট শীজিন্নহন্দনবসু খঙহনখি।

তৌইগুম্বসুং কোর্টনা জুকোভপু চহী ৪ গী জেলগী চৈরাক ফংহন্নবা রসিয়া প্রোসিক্যুটরশিংনা তৌখিবা দিমান্দ অমদি থুংহনখিদে। দিমান্দ অসিগী মহুত্তা মঙোন্দা সস্পেন্দেদ জেল টার্ম ওইনা পীখিবনি।

জুকোভনা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক ওপোজিসন কাঙবুশিংগী মায়োক্তা গভর্নমেন্টনা চত্থরকখিবা ফাবা-পুনবগী কেম্প্যেন অমদা মরম চাদনা চেন্নহনখিবনি হায়খি। কোর্টনা জুকোভতা সস্পেন্দেদ জেল টার্ম পীখিবগী পাউ অসিবু শক্নাইরবা ক্রেম্লিন ক্রেটিক এলেক্সি নাভালনিনা তরাম্না ওকখি।

## ‘মপান্দগী খুৎ থিংজিনহন্দনা অনৌবা পি এম খনগদবনি’



বাঘদাদ, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খনবদা মপানগী পৱারশিংনা খুৎ থিংজিনহল্লোইদবনি হায়না লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা সিয়াইট মুস্লিম ক্লারিক্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মাহদিনা মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না চয়োল অমগী মমাংদা লাউথোকখিবা মতুংদা সিয়াইট ক্লারিক অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

গ্রান্দ অয়াতোলা অলি অল-সিষ্টানিনা পোলিটিকেল লিদরশিংদা গভর্নমেন্টকী অনৌবা হেদ অমা খনবদা গ্রুপ শেম্বা অমদি মীচং মীখায় নাইবগী পোলিটিক্স থাদোক্লবা আপিল তৌবগা লোয়ননা অব্দুল মাহদিগী মহুৎ শীনবা অমা খনবগী থবক্তা মহাক য়াওরোই হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মফম থাদোকপগী খোঙথাং নোংমাইজিং নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টনা হৌনবী মতুং ইন্না অয়াবা পীখিবদগী নুমিৎ ১৫গী কন্সটিট্যুস্নেল দেদলাইনগী মনুংদা অনৌবা হেদ ওফ গভর্নমেন্ট অমসুং গভর্নমেন্ট অসিগী মেম্বরশিং খল্লগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়না শেংলবা সিটি কেরবালাদা ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবা সিষ্টানিগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টকী মকোক অমসুং মেম্বরশিং খনবদা মপান্দগী খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওং লৈহল্লোইদবনি হায়খি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দেমোনষ্ট্রেটর ৪০০ হেন্না হাৎখিবা থা অনী চুপ্না চত্থখিবা এন্টি-ইষ্টাব্লিসমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগী মতুংদা সিষ্টানিনা লো মেকরশিংদা মখোয়না গভর্নমেন্ট শৌগৎপগী ৱারেপ নৌনা খন্ননবা তকশিনখিবদগী অব্দুল মাহদিনা মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না হৌখিবা ইরাইদা লাউথোকখিবনি। পনবা য়াবদি, ইরাক্কী মরু ওইবা মীচং অনী য়ু এস অমসুং ইরান্না পৱার ব্রোকরশিং ওইনা থবক তৌদুনা লাকখি।

## ট্রম্পকী এক্সনশিং ইম্পিচ তৌবা য়াবগী মচাকশিং য়াওই

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মায়োক্তা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীবা য়ানবগী লম্বী ফাৎপা হীয়ারিং অমদা প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক্কী পোলিটিকে রাইভেল অমগী মরমদা থিজিন্নবা য়ুক্রেনদা প্রেসর পীনবা হোৎনখিবশিং ইম্পীচ তৌবা য়াবগী ওফেন্সশিং চিংই হায়না লিগেল এক্সপার্ট অহুম্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এস লোমেকরশিংদা হায়খ্রে।

প্রসিদেন্টকী ওফেন্সশিংনি হায়রিবশিং অসি কন্সটিট্যুস্নেল ওর্দরদা হকথেংননা অকিবা পীবা ৱাফমশিংনি হায়না জুদিসরি কম্মিটিগী চ্যেরমেন জেরোল্ড নাল্ডরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা লোঞ্চ তৌখিবা ইম্পীচমেন্ট ইনক্বাইরি অসিনা ট্রম্পনা য়ুক্রেনদা মহাক্কী পোলিটিকেল রাইভেল ওইরিবা কুমজা ২০২০ গী দোমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল নোমিনেসনগী মরু ওইবা কন্টেন্দর জো বাইদেনদা শোকহনগদবা ইনভেষ্টিগেসনশিং চত্থনবা হায়জখিবদা অখন্ননা মীৎয়েং থল্লিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা হীয়ারিং অদুদা কম্মিটিনা অহানবা ওইনা ট্রম্পকী এক্সনশিং অদু য়ু এস কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ইম্পীচ তৌদুনা চৈরাক পীবা য়াবা ক্রাইমরা হায়বসি য়েংশিনখিবনি।

## দিন্যুক্লিরাইজেসনগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়া, য়ু এস য়ানদ্রি

সিওল, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দনবা হোৎনবগী ৱাফম অসিদা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এস হৌজিকসু অমগা অমগা য়ানদবগী ফিভম অমা লৈবগী মওং উই হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী দেপ্যুটি স্পোক্সপর্সন অমা ওইরিবা কিম ইয়ুন-হননা সিওলদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং খন্নবা তারবদি লৈবাক অনীগী মরক্তা দিন্যুক্লিরাইজেসনগী নিগোসিএসনগী মতাংদা অমগা অমগা মোৎ খেৎনবগী মওং লৈ হায়না লৌবা য়াই।

পেনিন্সুলা অদুদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগীদমক্তা সাউথ কোরিয়ানা অঙম্বা থাক্তা দিপ্লোমেটিক্কী পাম্বৈশিং শীজিন্নগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা কিমনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী লৈবাক্না দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী খুমাং চাওশিনহনবা পাম্মী। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হন্দক্তা প্যোংয়াংগী মায়োক্তা ফোর্স শীজিন্নবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎপা ৱাফম খরা পনখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবা মতুংদা সাউথনা কমেন্টশিং অসি ফোঙদোরকখিবনি।

## য়ু এসকী পোথোকশিংদগী টারিফ লৌথোকখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ০৬ (এজেন্সি) :
মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অনীগী মরক্তা শোক্লরিবা লল্লোন ইতিক্কী লান হন্থহন্নবগী পান্দমদা নাকল অনীনা পুরক্লবা হোৎনরিবা দিল অমগী অহানবা ফেজ লোইশিন্নবা ৱারী শান্নরিঙৈদা য়ু এসতগী পুশিল্লকপা নুঙ হৱাই অমসুং ওকশাদা টারিফ লৌররোই হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

বৈজিংদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না চাইনিজ কম্পনিশিংনা য়ু এসতগী মখল মখা কয়াগী আইটেমশিং ইমপোর্ট তৌদুনা লাক্লি। ষ্টেট কাউন্সিলগী টারিফ কম্মিসন্না মতম খরগী মমাংদগী য়ু এসতগী পুশিল্লকপা নুঙ হৱাই, ওকশা অমদি অতৈ পোথোকশিংদা টারিফ লৌদনা লাক্লি।

অনৌবা খোঙথাং অসিদগী য়ু এসতগী পুশিল্লকপা পোথোক কয়া য়াম্বনা কান্নবা অসি ফংগনি হায়বগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি অসিনা শেংনা পনখিদে। ৱাশিংটন্না লৌখৎখিবা খোঙথাং অমগী পাউখুম ওইনা কুমজা ২০১৮ গী জুলাইদা চাইনানা পোথোকশিং অসিদা চাদা ২৫ গী টারিফশিং ইমপোজ তৌখিবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 964/SDC/IW -L/2019**
Mayengbam Nanao Singh S/o (L) Devendro Singh of Keishampat Thokchom Leikai. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Mayengbam Debendra Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Keishampat. ...OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

16/12/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার ময়েংবম দেবেন্দ্র সিংহ পীতা মৃত ইবোতোম্বী সিংহ সাং কৈশাম্পাৎকী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৩ - লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩০/২৩২, দাগ নং ১১০৪/১১৫২, এরিয়া ১.২৫০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/5446/7 *Sd/- BC to SDC/Lamsang*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 614/SDC/NTK/2019**
Chabungbam Ibemcha Devi W/o (L) Ch. Meghachandra Singh of Phubala. *...Petitioner*

-Vs-

(Late) Chabungbam Meghachandra Singh S/o Ch. Manihar Singh of Phubala. ...Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong the 2nd Dec., 2019

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 46 - Phubala Village গী Patta No. 32 (O), 278/1050 (N), C.S. Dag No. 1150/1758, an Area 0.22 acre of Ingkhol Class অসি পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১০/১২/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/5448/7 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 729/AS&SO/TBL Dt. 28/11/2019**
Sanasam Kulla Singh S/o (L) S. Thambaljao Singh of Kiyam Siphai.
*...Applicant*

-Vs-

Maibam (N) Tampaklei Devi D/o (L) M. Tolen Singh of Kiyam Siphai.
- OPs

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

06/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল লিলোং খুন নং ২২ - কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৩৮৩ (অরিবা), ৫০৪ (অনৌবা), দাগ নং ২০১৪, এরিয়া .২৬০৭ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা দংকারি সনসম কুল্লাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
**Asstt. Survey & Settlement Officer, Thoubal, Government of Manipur**

HL-P/5450/7